'দি এন এ টেষ্ট তৌনবা মেছিন লৈঙাক্লা লৈদ্রগদি রেপ ভিক্টিমশিংনা লুপা অমমম খায়নরগা লৈরগনি'

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): রুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৰাদ)না শিন্দুনা ১৬ দে ওফ এক্টিভিজম এগেনষ্ট জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স কেম্পেয্যনগী মনুং চন্না ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা নুপীশিংগী হক্কী মতাংদা খন্ন-নৈনবা থৌরম অমা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দাইওসেসন সোসল সর্ভিস সোসাইটি (দি এস এস এস) কী ফনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবী নুপী ১০০ রোম হেনবনা শরুক য়াদুনা রেপ কেস, ফোরেনসিক সাইন্স লেবোরেটরিগী অৱাৎ-অপা অমদি ৱায়েংশঙগী জজ মশিং ৱাৎপনচিংবগী মতাংদা পুন্না কৃপ্না খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী রিপ্রজেন্টেটিভ প্রভানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক নুপী-অঙাংদা চথুবা কেসশিংগী মতাংদা চৈরাক পীনবা হোৎনবদা লো কোর্টতা জজ মশিং ৱাৎপনা কেস থেংথহনবগী ফিভম অমদা লৈরি। মরাল লৈবা মীওই অচুম্বা চৈরাক পীবা পাম্মী। পাঙ্গৈদা লৈবা ফোরেনসিক সাইন্স লেবোরেটরিগী অৱাৎ-অপাশিং অমদি নুপী অঙাংদা চথুবা রেপ কেসকী দি এন এ টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটরি মেছিন লৈতবনা ভিক্টিম কয়া খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। নুপী অঙাংশিংগীতা ওইবা কেস পায়নবা অখন্নবা জজ পাম্মী। রেপিষ্টশিং কনখৎতুনা থম্বীগনু। স্কুল অমদি কোলেজ শিংদা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোংচদবশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক লৌখৎপীয়ু। নুপী-অঙাংশিংগী মথৌ তাবা অখন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপীয়ু।

সেনাপটি, তামেংলোং, উখ্রুল অমদি চান্দেলনচিংবা অরাপ্পা লমদগী এ আর টি লৌবা লাকপদা মখোয়গী পীফম থোকপা ট্রেভেলিং এলারেন্স (টি এ) মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা পীবিদবনা এ আর টি লৌবা চৎপা ঙমদবা য়াওরে। নুপী-অঙাংশিংদা চথুবা কেসশিং নমশিন্দুনা থম্বীগনু। জষ্টিজ দিলে ইজ জষ্টিজ দিনাইদ পামদে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী রুমেন রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা লাকপী মথেলু সেলুনা ফোঙদোকখিবদা, কষ্টমরি লোগী মতুং ইন্না ওক, য়েন কোংহল্লগা রেপ কেসকী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা অদু য়ানিংদে। নুপী-অঙাংগী ৱাথোক্তা কষ্টমরি লোগী ৱায়েন পামদে। এম এল এশিংগী মচা-মশুশিং করিগুম্বা কেস অসিদা য়াওরকপা মতমদা নমশিন্দুনা থম্বা য়ানিংদে। হিরম অসিদা লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চিংশিনহন্নিংই হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ইম্ফাল ইষ্টকী ভোলন্টিয়র খোমিদোক্তগী সুলতনা বিবিনা ফোঙদোকখিবদা, নুপী-অঙাং লৈরবা নুপা অমনা অতোপ্পা মৰা-মপুরোইবা লৈরবী নুপী অমা অমুক কোয়নরবা মতুংদা নুপী অদুগী মচানুপী চেল্লগা পুখিবা নুপা অদু লৈঙাক্লা চৈরাক পীবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহল্লু, দি এন এ টেষ্ট তৌনবা মেছিন থা অহুমগী মনুংদা লৈঙাক্লা লৈয়ু, ৱি ৱান স্পিদি জষ্টিজ, ষ্টোপ প্রোটেক্টিং রেপ্পিস, ইনভেষ্টিগেসন সেল অমদি লো এন্দ ওর্দর তোঙান-তোঙান্না থম্মু হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

জিরিবামদসু কে এস এগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামগী ওফিসতা কে এস এগী ১৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ময়াংলম্বম রাজকুমার দি সী জিরিবাম, লৌরিয়াম বোনসন, আর কে নোবিনসনানা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ময়াংলম্বম রাজকুমার (আই এ এস) দি সী জিরিবাম, আর কে নোবিনসনা প্রধান দিবোঙ জি পি য়াওনা কে এস এগী মেম্বরশিংনা কেএস এ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামগী ওফিস মমাংদা উ-চারা থাখি। অমদি কেএস এগী মেম্বরশিংনা জিরিবামগী দি সী কমপ্লেক্সতসু উ-চারা কয়া থাবনা ঙসিগী মপুং ওইবা থৌরম ওইখি।

ঙসিগী কে এস এগী ১৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ময়াংলম্বম রাজকুমার (আই এ এস) দি সী জিরিবামনা ফোঙদোকখিবদা, কে এস এ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামনা শিন্দুনা য়াম্না চন্না মওংদা শিঞ্জরিবা প্রোগ্রাম অসিদা পার্টিসিপেট তৌবা ফংজবসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সাইদতগী য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। য়াম্না চন্না মওংদা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা উ-চারা থাদুনা পাঙথোকপা অসি য়াম্না অফবা ইনিসিএটিফ অমনি। মালেমগী অইং-অশাগী ফিভম হোংলক্লিবা অসিদা গ্রিন মিসন অমগী মওংদা উ-থাবা লোমদা মায় ওনশিনবীবা য়াম্না ফৈ। মতুংদসু কে এস এনা তৌরকপা থবক থৌরম কয়াদসু অফবা ওাউতকম পুরকপা ওইরসনু হায়বা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ফাউন্দেসন দে অদুগী মতাংদা কে এস এ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামগী প্রসিদেন্ট লৌরিয়াম বোনসননা হায়খিবদা, ঙসিগী ১৪শুবা কে এস এগী ফাউন্দেসন দে অসি য়াম্না চাওনা তৌদ্রগসু কে এস এগী ওফিস মমাংদা দি সী কমপ্লেক্স অমদি জিরিবামগী মফম খরদা উ-চারা থাবা অসিনা মপুং ওইবা থৌরম ওইদুনা পাঙথোকচবনি। ঙসিগী ফাউন্দেসন দে অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লাকপীদুনা শরুক য়াবিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ফোঙদোকখি।

সিম্পোজিয়ম অমসুং শৈরেং পাথোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিং লিংখৎখিবগী চহি অমা চুপ্পা চথুরকপা লুপা ফুদোংবা থৌরমগী ২৮শুবা থৌরম অমা ওইনা সেন্টর অসিনা শিন্দুনা ইন্টিগ্রিটি ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম কম পোইট্রি রিদিংগী থৌরম অমা ঙসি সেন্টর অসিগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং খুনয়াই লৈকায়দগী নাওরেম নোপুর অমদি নাওরেম ওংবী বিজয়াপটি অমসুং শাথৌলুপ ইম্ফালগী স্পোন্সর মখাদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী সিম্পোজিয়ম কম পোইট্রি রিদিংগী থৌরম অদুদা লাইব্রেরি কম ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী প্রসিদেন্ট পি শম্ফানা থৌরম মপু লোয়ননা নাওরেম নোপুর অমদি নাওরেম ওংবী বিজয়াপটিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ককচিংগী তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মশক নাইরবা মীওইশিং পি কুনিও রিটয়র্দ প্রিন্সিপাল, পি নিমাই রিটয়র্দ জেদ ই ও, ডা. এন প্রমোদিনি সিনিয়র লেকচরর হিষ্ট্রি অমদি ডা. সী ঐচ রাজকেতন এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মণিপুরীনা ইন্টিগ্রিটি ওফ মণিপুর হায়বা হিরমদা ৱাঙাংলোয়শিং ওইনা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা শক্লাইরবা অইবা-অইবী কয়ানা শরুক য়াদুনা ইন্টিগ্রিটি ওফ মণিপুরদা য়ুম্ফম ওইবা মশা-মশানা ইজবা শৈরেংশিং মীয়ামদা খুদোল তমখি।

মেগা ফুদ পার্ক শাবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): য়াইথিবী লৌকোন্দা নেসনল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি ফাওবা শাবা ঙমখিদ্রবা লৌফম অসিদা ৱার্ক মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বারজিৎনা মেগা ফুদ পার্ক, লোজিষ্টিক হব অমদি জ্বেলরি পার্ক শানবা থৌরাং তৌরিবা অসি অথুবা মতমদা হন্দোকপীয়ু অমদি লৌমীশিংনা য়াবা ঙল্লোই।

য়াইথিবী লৌকোনগী লৌমীশিংবু লৌনম্বীদুনা ২০১৪দা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নেসনল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি খক্কীদমক লৌশিনখিবনি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা য়াইথিবী লৌকোন অসি মফম চাদে হায়না ষ্টেট গভর্নমেন্টদা খঙহনখিবদগী নেসনল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি শাবা ঙমখিদবা মরম্না লৌশিনখিবা লমশিং অদু হন্দোকপীয়ু অদুগা ষ্টেট গভর্নমেন্টদগী লৌমীশিংনা লৌখিবা শেনফমশিং হন্দোকচগে হায়না ২০১৭দগী হৌনা ঙসিগী লৈঙাক্তা খঙহন্দুনা লাক্লি।

অদুবু লাইবক থিবদি চহি অসিগী জুন থাদা মেগা ফুদ পার্ক, লোজিষ্টিক হব অমদি জ্বেলরি পার্ক য়াইথিবী লৌকোন্দা শানবা য়ুল্লক অমদি লৌবুকশিংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লেন্দ দিমার্কেসন তৌনবা থৌরাং তৌরিবা অদু য়ানিংদে হায়না য়াইথিবী লৌকোনগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

রিলিফকী শেনফম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): ২০১৭গী ঈশিং-ইচাওনা শোকহল্লবা ৱাঙু তেরাখোঙ গ্রাম পঞ্চায়টকী লৌমীশিংদা রিলিফকী শেনফম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ৱাঙু নাওদাখোঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাঙু তেরাখোঙ গ্রাম পঞ্চায়টকী উপাপ্রধান এল বিনোট, কুম্বী এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এস বিরা, মোইরাং প্রাইমরি কোওপরেটিভ বেঙ্ককী মেনেজর কেঐচ রঘুনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙু তেরাখোঙ গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা পূন্না বেনিফিসরি ৫৯৫দা শেনফমশিং খুৎশিন্নখি।

এক্সিদেন্টতা ওটো দ্রাইভর শিরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): সপ্রামৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনং চনবা চার হজার মখাদা ঙসি ওটো রিক্সো অমা আর্মি পুরকপা বস অমনা থোমগায়রম্বদগী ওটো অদুগী দ্রাইভর হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে, অতোংবা অহুম্না শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা চার হজার মখাদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ওটো দ্রাইভর অদুগি মমিংনা প্রবিনকুমার অচারিয়া (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা অরুনকুমার অচারিয়া কৌই। মহাক কংলাতোংবী সব দিবিজন্দা লৈবনি। থৌদোক অদুদা ওটো অদুদা তোংলকপা নুপা অহুমসু শোকখি হায়রি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা বস অদুদি খাল্লমদনা থৌখ্রে হায়রি।

ওর্ফান হোমদগী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়র্স ওফ বোর্দর (পি এস)না ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৫০ রোম তাবা মতমদা হিয়াংথাং তারাহি কোঞ্জিন ইরাবট রোদতা লৈবা এম দি সৌকৎ শাহ (৩৭) অপোকপা এম দি মজিদ অলি শাহ কৌবা মীওই অমা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা মাদর তেরিসা ওর্ফান হোমদগী হিরোইন পাউদর গ্রাম ৩.৯০গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথুনবা থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

URGENTLY WANTED
IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST, MANIPUR - 795 001
Regd. No. MN04E0008451

Name of Post	Qlfn.	Post	Experience	Salary
1. Hospital Adm. Off	B.H.A.	1	At least 1 yr.	12000-20000
2. Medical Transcriptionist	Relevant Cert.	3	Required	7000-14000
3. Rediology	Relevant Cert.	3	2 yrs. exp.	Negotiable
4. Lab Tech.	Relevant Cert.	10	3 yrs. exp.	Negotiable
5. A.N.M.	Relevant Cert.	10	Required	8000-15000
6. G.N.M.	Relevant Cert.	30	Required	10000-18000
7. Male Nurse	Relevant Cert.	10		10000-18000
8. Marketing (Medical Representative)	Graduation	2	3 yrs. exp.	10000-18000
9. Receptionist	XIIth Passed	2		6000-12000
10. Sweeper	VIIIth Passed	2		Negotiable
11. Peon/Helper	VIIIth Passed	4		Negotiable
12. Runner	VIIIth Passed	4		Negotiable

Date of Interview : 1st & 2nd Dec., 2019 at 10 a.m. to 4.00 p.m.
Last date of form submission is 30th November, 2019
Forms will be available at the office at Office hour.
For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891
HL-P/5381/28,29,30

ꯉꯥꯒꯤ ꯐꯥꯔꯝ ꯌꯣꯡꯖꯔꯤ / ঙাগী ফার্ম য়োঞ্জরি

লৌশিপাৎকী খোংজাওগা তাইনবা ম্যেন রোদকীসু মনাক্তা ওইবা লৌ পরি অমা চাউবা ঙা য়োকপগী ফার্ম অমা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাদা পীজরিবা ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি।

Contact Nos. : 8732062534/9615435585
HL-P/5834/28

/BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Pass Book of SBI, M.U Branch bearing A/C No. 34184633474 on the way between Khuman Lampak and D.M. College of Arts on 25/11/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- KR. Jonathan Chiru
Waithou Chiru
HL-P/5162/28

/URGENTLY WANTED
LOKTAK IMA FINANCIAL CONSULTANCY (LICENCE NO. 238/M/BML/2017)
KWAKEITHEL BAZAR - 795001

Sl.	Post	No.	Qualification	Salary
1.	Recovery Officer	8	10+2	5000-10000+Incentive
2.	Loan Inspector	3	10+2	5000-15000+Incentive
3.	Helper	1	8th Pass	Negotiable

Loan Available : Any Types of Two Wheelers
Last date of form submission : 12/12/2019 (10:30 am to 4:00pm)
Contact No. 7005277372/7629087890
HL-P/5378/28,30,2
Sd/- HR Manager

/ NOTICE

It is for general information that 'The Yaingangpokpi Palwangma Loukol Committee Pallel village is processing for registration under the Govt. of Manipur. If any individual or Association have any complaint/objection kindly submit in writing to the Deputy Registrar of Societies, Kakching District within 15 (fifteen) days of the publication of this Notice.

Sd/- T. Shyam Singh
Secretary
Yaingangpokpi Palwangma Loukol
Committee Pallel, # 8575808254
HL-P/5369/27,28,29

MAKE CARRIER IN ONE AND ONLY MULTI BROKING TRADING CENTRE IN INDIA.
DISCOVER YOUR TALENT AND BECOME A STOCK MARKET SPECIALIST.
WE NEED YOUNG, ENERGETIC, WELL QUALIFIED, GOOD PERSONALITY MANAGERS IN OUR INSTITUTION. MAKE A BETTER FUTURE, THINK BEYOND FROM MANIPUR TRADITIONAL JOBS.

SL NO	NAME OF THE POST	QUALIFICATION	VACANCY	SALARY
1.	BRANCH MANAGER	GRADUATE/MBA (EXPERIENCE IN TEAM HANDLING)	3	RS 18,000 to 35,000.
2.	MANAGERS	XII & ABOVE	15	RS 15,000 PLUS INCENTIVES

DATE OF INTERVIEW: 28TH,29TH & 30TH NOV 2019. TIME: 10AM TO 4PM
HEAD OFFICE: ONLINE SHARE TRADING ACADEMY, 3RD FLOOR, GAMBHIR SHOPPING ARCADE,B.T.ROAD,IMPHAL,MANIPUR
HL-P/5380/28,29

NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh . Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X (BOSEM)
CLASS STARTING - 9th DEC, 2019
TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.

CLASS XII SC. (COHSEM)
CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR

CLASS IX & X (BOSEM)
CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

CLASS VI TO VIII (BOSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

* Day Boarding Facilities.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Study Material will be provided.
* Carrier Counselling for future study.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-P/5262/10 nov. to 9dec.

EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai

2 months Crash Revision Course for Class X
From 16th November, 2019 to 31st January, 2020
5:00 am - 8:00 am (Morning)
5:00 pm - 8:00 pm (Evening)

Foundation Course for Class IX and X
From 15th December, 2019 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)

7th Position
W. Ningthem Meitei
S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu
The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.

8th Position — U. Aditya Luwang, S/o. U. Geetchandra Singh & L. Anita Devi
11th Position — Haobam Rijando, S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
12th Position — M. Nerich, D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
19th Position — H. Aman Singh, S/o. H. Tombe & H. Baby
22nd Position — A. Pooja Sharma, D/o. A. Ibemcha Sharma & Ph. Premlata Devi
23rd Position — Md. Makbun, S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019
91.4 % — R.K. Phalguni, S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
90.4 % — Bandana Mutum, D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
85.0 % — Irungbam Thajalembi, D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
84.6 % — Nikesh Sapam, S/o. S. Bhogen & S. Sobita
83.0 % — Nancy Keisham, D/o. K. Sanatomba & Binapani M.

Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)

Facilities -
50% off on 1st to 5th school position holders
50% off on disable students
30% off on sports person
50% off on Govt. School students

- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

General Foundation Course for Class I to VIII From 5th January, 2020
I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)

Our Faculties are :
Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita

For detail Please contact 9612 194500
HL-B/5826/27nov to 27dec.

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR CLASS 6 TO 12 — 10TH DECEMBER 2019

2019 BOSEM TOPPERS
2ND POSITION ASEM SOPHIYA
7TH POSITION W. NINGTHEM
7TH POSITION W. SANAMATUM
8TH POSITION U. ADHITYA
15TH POSITION REHAN YUMNAM
22ND POSITION ROSHAN KH.
23RD POSITION RICKY KHAIDEM
23RD POSITION SOIBAM DAINA
24TH POSITION LAMJINGBA

CBSE
ANOUBAM SNEHA CBSE (X) 95.5%

MORNING 04.30 – 7.30 A.M.
EVENING 04.40 – 8.00 P.M.

2019 COHSEM SCIENCE TOPPERS
4TH POSITION ROBINSON
6TH POSITION SHAHA MINHAZ
8TH POSITION ANJU ANAND
9TH POSITION THOUNGAMBA
16TH POSITION SAMANANDA

2019 COHSEM ARTS TOPPERS
5TH POSITION KH. SHARMELI
5TH POSITION H. BERON
6TH POSITION LINTHOINGAMBI
10TH POSITION L. BRINDASHI

SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex students).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% AND ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONSESSION ON GOVT. SCHOOL

RAPID MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
- BASE ON BOSEM, COHSEM & CBSE EXAM PATTERN SYSTEM
- TO SCORE HIGH MARK AND QUESTION ANALYSIS OF PREVIOUS YRS

VAN SERVICE BOTH MORNING & EVENING
BOYS' & GIRLS' HOSTEL AVAILABLE

REVISION COURSE 2019

CLASS	X/BOSEM	X/CBSE	XII (Sc)	XII (Arts)	XII COMMERCE
DATE	5TH & 13RD Dec.	5TH & 13RD Dec.	25TH Nov. & 5TH Dec.	25TH Nov. & 5TH Dec.	2ND & 9TH Dec.

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUARY : 9862992105
HL-B/575799/12nov. to 11 dec.

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্স ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিং, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিং চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফম্বা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্স ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. 9612225582
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
HL-B/5648/31/8to30/9

Maipakpi Maternity and Child Hospital
Centre for Infertility, Mother & Child Care
North A.O.C, Imphal, Manipur.

ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯆꯕꯥ/লাউথোকচবা

মাইপাকপী হোস্পিটালনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (CMHT) অমদি PMJAY কার্দ পায়বীরিবা মীওইশিংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীজরি।

HL-P/5348/23-27,28
Sd/- Manager, MMCH



ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহৈ-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্নবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্তুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

Contact:-
Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-P/5269/12nov.-11dec.